ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

নহারোলগী থৌদাং

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

সেভা দলগী ষ্টেট লেভেল পোলিটিকেল এৱার্নেস এমপিসিসিগী প্রসিদেন্ট শ্রী গাইখাঙমনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকপা

সেক্রেটেরিয়েটতা পাঙথোকখিবা স্বিপনা শিনবা ভোটর এৱার্নেস এন্দ এডুকেসনগী থৌরম

LET THE THOUBAL RIVER FLOW FREE
THOUBAL RIVER IS OUR LIFE
NO REVIEW NO MAPITHEL DAM

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী রিহা ভিল্লেজদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেস্নেল রিভর্সদেগী থৌরমগা মরী লৈননা মপিথেল দাম শাবা য়ারোই হায়না চৎখিবা রেল্লি

১৮ শুবা চহি, ইশু ২৪৭ www.naharolgithoudang.com ইম্ফাল, মার্চ ১৫, ২০১৪ ইং, লমতাগী ১৪ নি পানবা, থাংজ RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP 408 মমল লুপা ৩.০০

বোম ফুল্লম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : ঙসি অয়ুক পুং৮.৩০ তাবদা আর্মিগী রেদ সিল দিভিজন অমসুং বিষ্ণুপুর কমান্দোগী অপুনবা খুৎপু অমনা মোইরাং খুন্নৌ কুম্বি রোদতা পেট্রোলিং চৎপদা শক্তি লৈরবা ক্লেমোরমাই মানবা আইইদি অমা লাইরেনকাবি খুল হাইজিল্লকপদা থেংনখ্রে অমসুং পুলিসকী বোম স্কাউদনা বোম অদু মফম অমদা পোকখাইহনখ্রে হায়রি।

কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : ঙরাং এন সি পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অমসুং কৈশামথোং কেন্দ্রাগী এম এল এ এল ইবোমচানা চিয়ার লৌদুনা য়ুনিট অসিগী লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা একজিক্যুটিব বোদিগী মিটিং অমদা লাক্লিবা ১৬ শুবা লোক সাভা ইলেক্সন অসিগী মেম্বর ৪ না শাবা কেম্পেন কম্মিটি অমা শেমখ্রে হায়না এন সি পি মণিপুর ষ্টেটকী জেনেরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। নৌনা শেম্লবা কম্মিটি অসিনা হন্দক পাঙথোকদৌরিবা ১৬ শুবা লোক সাভা মীখল অসিদা মাংজিন থাবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়রি।

[illegible]

GAS

RBD Indane Service	Bk. 11-1-14	612
	V.F. 26-12-13	
	Delivery time 7.30 am to 11 am	
Hrangchal Gas, Naoremthong	Bk. 13-1-14	282
	V.F. 27-12-13	
	Delivery time 7.30 am to 10 am	
Maha Luxmi Gas	Bk. 30-1-14	306
	V.F. 14-1-14	
	Delivery time 7.30 am to 11.30 am	
Maibia Gas, Moirang	Bk. 20-1-14	306
	V.F. 15-1-14	
	Delivery time 7 am to 11 am	
Lamsang Gas	Bk. 13-12-13	306
	V.F. 25-11-13	
	Delivery time 7 am to 10 am	
Porompat Gas, Porompat	Bk. 31-12-13	314
	Sl. No. 179356	
	V.F. 14-12-13	
	Delivery time 7.30 am to 10 am	
Yairipok Gas	Bk. 5-2-14	612
	V.F. 25-1-14	
	Delivery time 7 am to 10 am	
Misao Gas	Bk. 20-1-14	306
	V.F. 30-12-13	
Manipur Gas	Bk. 8-1-14	612
	V.F. 23-12-13	
	Delivery time 7.30 am to 10.30 am	
K&K Gas	Bk. 22-2-14	306
	V.F. 17-2-14	
	Delivery time 7 am to 10 am	
Lambodara Indane Service	Bk. 2-1-14	306
	V.F. 27-12-13	
	Delivery time 7.30 am to 10 am	
Imphal LPG	Bk. 16-1-14	351
	Sl. No. 38996	
	V.F. 7-1-14	

এনইদা কন্ফ্লিক্ট জোননি হায়না
রেদ ক্রোস সোসাইটি চংহন্দবা পেন্দে

-শর্মিলা

পুলিসনা শর্মিলা ফানবা হোৎনবদা শর্মিলা কনবা অপুনবা লুপকী মেম্বরশিংগা মুরুবা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : কোর্টনা থাদোরকখ্রবসু মখা তানা পোরোম্পাৎতা লৈবা শর্মিলা কনবা লুপকী শঙলেন্দা অফস্পাগী মায়োক্তা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লকখি শর্মিলা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মশা মতোমতা শিজনবা হোৎনৈ হায়বগী মরালদা ফাজিনখ্রে।

শর্মিলা পুলিসনা ফাজিনদ্রিঙৈ মমাংদা ইন্টরনেসনেল রেদ ক্রোস সোসাইটিনা চিংশিল্লিবা খোঙজংশিং অসিদা মতেং ওইনবা হায়দুনা অমজুগী খুখাংদা লুপা লাক্ষ ৪গী চেক অমা খুৎশিন্নখ্রে।

লুপা লাক্ষ ৪গী চেক্কী মনা অদু অমজুগী খুখাংদা ইন্টরনেসনেল রেদ ক্রোস সোসাইটিদা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা শর্মিলানা ফোঙদোক্লমখিবদা, মালেমগী ওইনা মীওইবা জাতিনা খাংবা ঙমদবা, লাকশিনবা ঙমদবা অৱাবা, খুদোংথিবা, তমথিবা চৈথেং কয়াদা ইন্টরনেসনেল রেদ ক্রোস সোসাইটিনা চংশিন্দুনা থবক তৌরি। অদুম ওইনমক অফস্পাগী চৈথেং ফংলিবা মণিপুর য়াওনা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিং অমসুং জম্মু কাশ্মিরদা ইন্দিয়ানা কন্ফ্লিক্ট জোননি হায়দুনা ইন্টরনেসনেল রেদ ক্রোস সোসাইটিগী মীওইশিং চংহন্দবা অসি পেন্দে। অসিগুম্বা ইন্দিয়ানা চৎখিরিবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা তৌগে হায়বা অমা য়াওনা শিংনদুনা অফস্পাগী মায়োক্তা খোঙজং অসি চংশিল্লকখিবনি। লোয়নননা রেদ ক্রোস সোসাইটি অসিনা নমথবিরবা, অওৎ-অনৈ নংলবা মীয়ামগীদমক্তা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মতেং পাংনবা লুপা লাক্ষ মরিগী তেংবাঙ অসি পীবনি। *(মখা লা:৪দা)*

রেলৱেগী সুপরভাইজর শকখঙদবশিংনা
ফাখিবদগী মফম খঙদ্রি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : জিরি-তুপুল রেলৱেগী থবক শুরিবা কোন্টেল প্রোজেক্ট প্রাইভেট লিমিটেদ কৌবা কম্পনি অসিদা সুপরভাইজর ওইনা থবক তৌবা মীওই অমা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৪০ রোম তাবদা শকখঙদবা মীওই খরনা ফাদুনা পুখিবদগী হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরি।

হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা সুপরভাইজর অসিগী মমিংনা সুবোধ কুমার দেভ (২৪) অপোকপা মলাইদেভ কৌই। জিরিবামগী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খাংবো-কুচুভারিদা লৈবনি। মীওই অসি জিরি-তুপুল রেলৱে লাইনগী থবক শুরিবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কুলবুংগী লৈশাবীথোলগী তনেল নম্বর ৱানদা থবক শুবনি। হায়রিবা থবক মফম অসিদগী শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুখিবনি। *(মখা লা:৪দা)*

ট্রাইবেল-কলচর য়োকখত্তুনা মালেমসি
ফজরবা লৈকোল অমা ওইহনবা য়াই

: রতন থীয়াম

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪: ট্রাইবেল-কলচর হায়বসি চহী লীশিং কয়া হিংদুনা লাক্লবনি, মরম অসিনা ঐখোয়না অসিগুম্বা কলচর অসি য়োকখত্তুনা মালেম অসিবু ফজরবা লৈকোল অমা ওইহনবগা লোয়নননা তুংদা লাক্কদৌরিবা অনৌবা মীরোলশিংগী মফমদা শিন্নরম্বা য়াই হায়না নেস্নেল অমসুং ইন্টরনেস্নেল থিয়েটরগী গুরু রতন থীয়াম্না ফোঙদোকখ্রে।

ইকুই কুইদনা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বীরভুম দিষ্ট্রিক্টনা কোনবা শান্তিনিকেতন মনাক্কী দ্বারোন্দা খুঙ্গংদা নেস্নেল স্কুল ওফ ড্রামা (এন এস দি) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ট্রাইবেল ম্যুজিক, দান্স অমসুং থিয়েটরগী ওইবা ''আদি বীম্ব'' হায়না মিংথোনবা ফেষ্টিবেল অমদা এন এস দিগী চেয়রমেন রতন থিয়াম্না পাউমীশিংদা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়াম অসিগী মনুংদা ট্রাইবেল প্রজাশিংনা অচৌবা মফম অমা কল্লি। ইন্দিয়াগী ট্রাইবেল কলচর অমসুং মখোয়গী য়েলহৌঙেগী ওইবা চৎনবীশিং অসিনা ইন্দিয়ান কলচর অমসুং সিবিলাইজেসন্দা য়াম্না মরু ওইবা শক্লোন অমা লৌরি।

অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা ট্রাইবশিং অসি, মরু ওইনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেট ৮ অমসুং অতোপ্পা মফম কয়াদা ঙসিসু খুন্দারি। ট্রাইবশিং অসিগী লাইনিংলোনগী ওইবা থৌরম, মনাৎ, থাজনবী অমসুং মহৌশাগী খুৎশেমগা থোং মান্ননা হীংমিন্নবা ঙম্বগী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমা লৈজে। অসিগুম্বা পুন্সি মরেল অসিনা ইকোলোজিকেল বেলেন্সতা অকায়বা পীবা তৌদে।

ট্রাইবেল ম্যুজিক, দান্স অমসুং থিয়েটরগী আদি বিম্ব হায়বা ফেষ্টিবেল অসি ট্রাইবেল কলচর, পুন্সি মহিং, ফিজেৎ-চাকচেৎ অমসুং লৌউ-শিংউগী মায়কৈদা শীজিন্নরিবা হৈ-শিংবা থৌওং কয়া অদু মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক্তা পাঙথোকপনি। ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা ট্রাইবশিংগী আর্ষ্টিট ৬০০না মশা মশাগী ঈশৈ, জগোয় অমসুং থিয়েটরগী মশকশিং অদু উৎকনি। *(মখা লা:৪দা)*

পুলিস ষ্টেসনগী মশিং ৯৯ শুরবসু ইনফ্রাষ্ট্রকচর
ৱাৎপনা ষ্টেসন ৩৯দি ফঙ্কসন তৌবা ঙমদনা লৈরি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪: মণিপুর পুম্নগী ওইনা হৌজিক তোঙান তোঙানবা আই পি সি, পুলিস মেনুএল, পুলিস এক্টনচিংবা কেসশিং রেজিষ্টর তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চত্থবা ঙম্বা পুলিস ষ্টেসন (পি এস) মশিং ৯৯দি শুজিল্লক্লে। মতম মতমগী কেবিনেট ফমদুনা অনৌবা পুলিস ষ্টেসন কয়া হাংদোকপগা লোয়নননা আউট পোষ্টতগী পুলিস ষ্টেসনগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌদুনা পুলিস ষ্টেসনগী মশিং খংয়াম য়ামশিল্লকপনি। অদুমকপু অপুনবা ষ্টেসন ৯৯ অসিগী মনুংদা ৩৯দি হৌজিক দরকার ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি মেন পৱার ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ফঙ্কসন তৌদনা লৈরে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা রেকোর্দকী মতুং ইন্না হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৈরিবা মশিং পাবদা য়াওরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ইম্ফাল পি এস, সেকমাই, শিংজমৈ, (ককৱাদা লৈবা), লমশাং(তাওথোং খুন্নৌদা লৈবা), লম্ফেল, ময়াং ইম্ফাল, পাৎশোই, ৱাঙ্গোই, সিটি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱুমেন পি এস, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম্লাই, জিরিবাম, হৈঙাং, পোরেম্পাৎ, ইরিলবুং, অন্দ্রো, শগোলমাং, য়াইঙংপোকপী, বোরোবেক্রা, থৌবাল দাম, ইম্ফাল ইষ্ট ৱুমেন পি এস, থৌবাল জিল্লাগীনা থৌবাল পি এস, লিলোং, য়াইরিপোক, ককচিং, শুগনু, ৱাইখোং, পল্লেল (অপগ্রেদ তৌরকপা), হৈরোক, খোংজোম, ৱাংঙু, নোংপোক সেকমাই, থৌবাল ৱুমেন পি এস, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকীনা বিষ্ণুপুর পি এস, মোইরাং, নম্বোল, কুম্বী, লোক্তাক, কৈবুল লমজাও, ফৌগাকচাও (ইথাই), অরোং নোংমাইখোং, বিষ্ণুপুর ৱুমেন পি এস, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চান্দেল, তেংনৌপল, মোরে, চকপিকারোং, মোলচাম, খেংজোই, মচী, চান্দেল ৱুমেন পি এস, চুড়াচান্দপুর জিলাগী ওইনা চুড়াচান্দপুর, শিংহাৎ, পার্বুং থানলোন, হেংলেপ, সঙাইকোৎ, ভংঙাই রেঞ্জ (চহী অসিদা নৌনা হাপচিল্লকপা), চুড়াচান্দপুর ৱুমেন পি এস, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা তমেংলোং, তামৈ, তৌসেম, নুংবা, খৌপুম, নোনে (ও পি দগী অপগ্রেদ তৌরকপা), কাইমাই, খোংশাং, অৱাংখুল, জৌজাংতেক, থঙ্গাল তমোংলোং দিষ্ট্রিক্ট ৱুমেন পি এস, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতনা সেনাপতি পি এস, মাও, কাংপোকপী, তদুবী, সাইকুল, গম্নোম সপরমৈনা, ন্যু কৈথেলমানবী, ৱিল্লোং, জুক্কো, তুংজোই, পুরুল, ফাইবুং, চলৱা, সেনাপতি ৱুমেন পি এস, উখ্রুল জিলাগী ওইনা উখ্রুল পি এস, লিতান, শংশক, চসাদ, ফুংয়ার, কসোম খুল্লেন, চীংঙাই, জেসামি, সোমদল, সনাকৈথেল, তোল্লোই (চহীসিদা সেঙ্কসন তৌবতা ঙায়রিবা), উখ্রুল ৱুমেন পি এস, মণিপুর পুম্নগী ওইবা নাব (নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়ার্স ওফ বোর্দর) পি এস, সি আই দি (ক্রাইম ব্রাঞ্চ)কী ওইনা শেঙ্গা থুমজাগী থবক চপখৎনবা নৌনা হাংখিবা ঈ ও দব্লিয়ু (ইনোনোমিক্স ওফেন্সেস ৱিং) পি এস অসিনি।

হৌজিক পুলিস ষ্টেসন্নি হায়বগী রেকোর্দতী তৌরগা মথৌ তৌদনা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা শগোলমাং, য়াইঙংপোকপী, বোরোবেক্রা, থৌবাল দাম, থৌবাল জিল্লাগী খোংজোম, হিয়াংলম, ৱাঙু, নোংপোক সেকমাই, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট তনা কৈবুল লমজাও, ফৌবাকচাও (ইথাই), অরোংনোংমাইখোং, চান্দেল জিল্লাদনা খেংজোই, চুড়াচান্দুপুর জিল্লাগী ওইনা সঙাইকোৎ, ভংঙাই রেঞ্জ, তমেংলোং জিল্লাদনা কাইমাই, খোংশাং, অৱাংখুল, জৌজাংতেক, থাঙ্গাল, সেনাপতি জিল্লাগীনা ন্যু কৈথেলমানবী, (ও পি দগী অপগ্রেদ তৌবা কুইদ্রিবা) ৱিল্লোং, জুক্কো, তুংজোই, পুরুল, ফাইবুং, চলৱা, উখ্রুল জিলাগী সনা কৈথেল, তোল্লোই অমদি চহীসিদা নৌনা পুসিল ষ্টেসন ওইনা লিংবগী কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরগা ওর্দর খক্তা থোক্কুনা থল্লিবা নুপী ঙাক্তগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস ষ্টেসন ৯ মক অসিনি। চুড়াচান্দপুরগী ভংঙাই রেঞ্জ, উখ্রুলগী তোল্লোই অমদি নুপী ঙাক্তগী পুলিস ষ্টেসনশিং নত্তনা অতৈ পি এস শিংদি শক ২০১১ দগী ২০১৩ ফাওবদা মচিৎ মচিৎ ওইনা পুলিস ষ্টেসন ওইহনখিবনি হায়রি।

হায়রিবা নন-ফঙ্কস্নেল পুলিস ষ্টেসনশিংগী মরক্তগী খনগৎলবা ষ্টেসন ১৪ খক শাগৎনবা অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা চৎলিবা শেনবা চহী ২০১৩-১৪ অসিগী মনুংদা প্লানগী বজেটতা লু: ক্রোর ৮ লাক্ষ ৮২ হাপহৌরে। তোঙান তোঙানবা বজেট হাপ্লিবা পুলিস ষ্টেসন অমসুং চংগদবা শেলফমদি ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো পি এস কী ওইনা লু: লাক্ষ ৬৭নি। অতৈ পি এস ১৩ হায়বদি ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী, থৌবাল দাম, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক, খোংজোম, হিয়াংলম, ৱাংঙু, নোংপোক সেকমাই, বিষ্ণুপুর জিলাগী অরোং নোংমাইখোং, কৈবুল লমজাও, ফৌগাকচাও (ইথাই), চুড়াচান্দপুর জিলাগী সঙাইকোৎ, চান্দেল জিলাগী মচী, সেনাপতি জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবীগী ওইনা লু: লাক্ষ ৫৫ / ৫৫ বজেটতা হাপ্লি। মথং শেনবা চহী ২০১৪-১৫ গী ওইনা খুঙ্গং অমদি মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংগী পি এস শিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শাগৎনবা লু: ক্রোর ৬ লাক্ষ ৭৫ হাপ্লেহায়রি। *(মখা লা:৪দা)*

বিজেপিগী নরেন্দ্র মোডি লাকপদা তিনখিবা
মীয়ামদগী রাহুল গান্ধীনা হেনগনি

: গাইখাঙম

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : লাক্লিবা মার্চ ১৯ দা এআইসিসিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাহুল গান্ধিনা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা অসিদা তিনবা মীয়াম্না হন্দক্তা বিজেপিগী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেটনি হায়রিবা নরেন্দ্র মোডিনা লাকখিবদা তিনখিবা মীয়ামদগী শরুক কয়া হেনগনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মণিপুরগী দিপ্যুটি সিএম গাইখাঙম্না ফোংদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল কংগ্রেস ভবন্দা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা গাইখাঙম্না হায়, রাহুল গান্ধিনা মার্চ ১৯ দা মণিপুরদা লাক্তুনা মীখলগী কেম্পেইনদা শরুক য়াগনি। রাহুল গান্ধি অসি এআইসিসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মণিপুর ইন-চার্জ অমগা লোয়নরক্কনি।

রাহুল গান্ধিনা মার্চ ১৯ দা ইন্নর অমসুং আউটর পার্লিয়ামেন্টরি সিট অনিমক্কী তায়নফম ওইরিবা ৱাংজিং কোদোম্পোকপি গ্রাউন্দদা মীয়ামগী ওইবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি।

হৌজিক থার্দ পার্টিনি হায়না সেন্টরদা পার্টি খরনা পুনশিন্দুনা সরকার শেম্নবগী মঙলান অমা শাগৎলিবা অসি ওইথোক্লোইদবা ৱাফমনি। হৌজিক সেন্টরদা থার্দ ফ্রন্টনি হায়না হেক শেম্বা হৌবগা পার্টি মশেলগী মরক্তা মত মান্নদবদগী কায়দুনা ফ্রন্টতগী থোকপা হৌরে হায়না গাইখাঙম্না ফোংদোরকখি।

মহাক্না মখাতানা হায়, বিজেপিগী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেটনি হায়রিবা গুজারাটকী চিফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মহাক্কী ষ্টেট অদুদা মীখল থেংনবদা মায়পাক্কদ্রা-মায়পাক্লোইদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবদগী মহাকপু হৌজিক য়ুপিএগী হিন্দু ফেনাতিক কয়ানা নম্না লৈবা বনারসি পার্লিয়ামেন্টরি সিটতা ওইনা মীখল থেংনহন্নবা বিজেপিনা হোৎনরি।

হায়রিবা বনারসি সিট অদুদা বিজেপিগী মশক নায়রবা লুচিংবা অমনা হান্নদগী মীরেপ ওইদুনা মায়পাক্লুগা লাকপনা হৌজিক পার্টি মনুংদা টিকেটকী মতাংদা চয়েৎনবসু লৈরি। পার্লিয়ামেন্টরি সিট অদুদা মোডিনা লেপ্লগদি শোয়দনা মায়পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবদগী মীরেপ ওইনা পুথোক্লবা হোৎনরি। মদু নত্রবদি বিজেপিগী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেটনি হায়না পুথোক্লুগা মায়পাক্ত্রবদি মীয়ামগী মমাংদা ইকাইবা নংগদবনা মদু লৈহন্দনবা হোৎনরি হায়না গাইখাঙম্না ফোংদোকখি। *(মখা লা:৪দা)*

অনৌবা অওনবা মণিপুর অমগীদমক
ইশু কয়াদা মীখল থেংনগনি

: ও ইন্দিরা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : নুপীশিংবু হস্থনা য়েংলিবা হীরম কয়াদা শোত্থরবা লমদম অসি অনৌবা অওনবা মণিপুর অমা ওইহন্নবগীদমক লমদম অসিগী নুপীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা, লাইরিক-লাইশু হৈরেগা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিং থবক পীবা, লাইরবা কোকহন্নবা অমদি লো এন্দ ওর্দর ফগৎহন্নবা য়াওনা প্রজাশিংগী য়াইফগদবা ইশু কয়াদা য়ুম্ফম ওইরগা লাক্কদৌরিবা ১৬ শুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি মীখলদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মীখল থেংনবনি হায়না হান্না বি জে পি গী একজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরম্বী ওইনাম ইন্দিরানা হায়খ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা মীখলসিগী কেম্পেইন হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা হান্না ভারটিয়া জানতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর প্রদেশকী একজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা থৌবাল এ সিদা মীখল থেংনখ্রবী কেন্দিদেট অসিনা মখা তানা হায়, মহাক নেস্নেল পার্টি অমা ওইরিবা ভি জে পিদা য়াওদুনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা মীখল থেংনরুই। অদুবু পার্টি অসিনা নুপীবু হস্থনা য়েংবীবা কয়াদগী তোকথোক্তুনা লমদম অসিগী অৱা-অনা মায়োক্লরবী নুপী কয়াগী সপোর্টকা লোয়নননা হন্দক্কী মীখলসি থেংননবা থোরকপনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৩২না নুমিৎ ১২দা তাঙ্কক মাপল থোক্লা ৱারি শান্নদুনা মীখলসিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা চোংথোরকপগী মরুওইবা পান্দমসি মরুওইনা লমদম অসি চাওখৎপা, *(মখা লা:৪দা)*

লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদা নোট তৌরগা
পরিক্ষা থারম্বা মহৈরোই ২ তাহোক্লুবদগী ইরাং থোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : বোর্ডনা লৌবা মেট্রিক পরিক্ষাগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদা পরিক্ষা থাবা মহৈরোই নুপীমচা অনি নত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নরম্বগী বোর্ডনা তাহোক্লুবদগী ইরাং থোকখ্রে। ইরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপখ্রে।

মেট্রিক পরিক্ষাগী ঙসি অরোইবা নুমিৎ মেথমেটিক্স সবজেক্টতা সেন্টর অসিদা পরিক্ষা থারিবা ইস্লামিক বেবি ইংলিস স্কুলগী মহৈরোই বেম্মা অমসুং ফাইভ ষ্টার য়ুনিক হায়স্কুলগী মহৈরোই সোনিয়া অনি নত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নরম্বগী ইনভিজিলেটরনা মিনিট ১৫ পরিক্ষা থাহন্দনা থমখি। লোয়নননা বোর্ডকী ফ্লাইং এস্কোর্টকী কাংবু লাক্লবা মতুং মহৈরোই অনি অদু পরিক্ষাদগী তাহোকখি। থৌওংদুদা মহৈরোই অনি অদু লেকথরক্তুনা ৱাঙ্গরকপদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং লাকপদগী ইরাং থোকখি। সেন্টর অসিদা মীওই কয়ানা মহৈরোই অনি তাহোকখিবা অদু য়ানিংদে হায়না নুংনা থাজিনবচিংবা কা হেনবা থৌওং কয়া চত্থরকপদগী সেন্টর অদুদা দ্যুটি তারিবা পুলিসকী মায়কৈদগী টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্তুনা মীয়াম অদুবু তানখায়নবা হোৎনখি।

মরকসিদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্পদা মনাক নকপদা লৈবা মোক্স অমদা টিয়ার গ্যাস সেল অমা তাশিনবদগী নামাজ শোনবা কায়রে হায়না মুসলিমশিং হৌরক্তুনা সেন্টর অদুদা থোমজিল্লক্তুনা চাওনা উংখৎনবা থোকখি। লোয়নননা নুংনা থাজিল্লকপদগী সেন্টর অদুদা লৈবা বোর্ডকী ফ্লায়িং এস্কোর্ট টিমনা শীজিন্নবা ভেন *(মখা লা:৪দা)*

লন-থুম অমসুং ফমগীদমক মীহৌদুনা ভোট লেপ্পা ওইরবদি লৈবাক্কী কান্নবা পুরক্লোই

-শর্মিলা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎকনি হায়না চোংথোরক্লিবশিংনা ঙসি ফাওবা লৈবাক্কী ইশু অমত্তা মায় পাক্না চংশিনদে। ফমগী অমসুং লন-থুম লেপশিন্নবা মীখল লম্বা তৌবনদি করিমত্তা কান্নবা পুরক্লোই হায়না হৌজিক হৌজিক পোরোম্পাৎতা লৈবা শর্মিলা কনবা লুপকী শঙলেনদা অফস্পাগী মায়োক্তা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লিবা ইরোম চনু শর্মিলানা ঙসি মথং থা এপ্রিল ৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বিজেপি গী ইন্নরদা মীরেপ ওইরিবা আর কে রঞ্জনগা উন্নবা অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

উন্নখিবা অদুদা শর্মিলাগী মায়কৈদগী আর কে রঞ্জনদা করিগীদমক্তা মীখল লম্বা তৌনবা থোরক্লিবনো হায়না হংবা অমদা আর কে রঞ্জন্না হায়খিবদা, মহাক্না লমদমসিগী ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা চংশিল্লক্লিবা ইশু কয়া অসি হৌজিক ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা লৈরিবসি হেন্না মায় পাকপা ঙম্নবা মীরেপ ওইনবা থোরকখিবনি হায়না পাউখুম পীখি। কংগ্রেসতা মীরেপ ওইদদনা করিগী বিজেপি দা মীরেপ ওইনা চোংথোরক্লিবনো হায়না হংলকখিবা অমদা আর কে রঞ্জন্না হায়খিবদা, কংগ্রেস অমসুং বিজেপি অনিগী মরক্তা মত খেন্নবা কয়া লৈ। লিশাং শিংনা শাসন তৌরক্লিবা কংগ্রেসনা লমদমসিগী ওইবা ইশু কয়া ঙসি ফাওবা মায় পাক্না পায়খৎতে। অদুম ওইনমক বিজেপি মমাংদা তেল্লবা মতম খরা শাসন তৌখিবা অদুদা ষ্টেটসিগী ইশু কয়া মায় পাক্না পায়খৎলমখি। মরম অদুনা পার্টি অসিদা মীরেপ ওইনবা থোরকখিবনি। মহাক্না মীখল লম্বা থেংনগদৌরিবসি ফম পান্বা নত্রগা লন-থুম লেপশিন্নবা নত্তে। লমদমসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা মরুওইনা পব্লিক ইশুশিং মায় পাক্না পায়খৎপা ঙম্নবা থোরকখিবনি হায়খি।

শর্মিলানা করিগুম্বা মহাক্না মীখলদা মায় পাক্লবদি লমদমসিদগী অফস্পা মুখৎপা ঙমগদ্রা হায়না হংলকখিবা অমদা আর কে রঞ্জন্না হায়খিবদা, লমদমসিদগী অফস্পা মরু ফংনা মুখৎপা হায়বদুদি মহাক্না গরেন্তি তৌবা ঙম্লোই। অদুম ওইনমক পার্লিয়ামেন্টতা তাঞ্জা ফংবগা ইশু অসি পুখৎতুনা লমদমসিদগী অফস্পা লৌথোক্লবা চপ চানা থেংনগনি। ষ্টেটকী ইশু ওইবনা মসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্নগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

শর্মিলানা মখা তানা হায়খিবদা, মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহন সিংহনা ইম্ফালদা লাক্লমখিবা অদুদা লমদমসিগী মীওই কয়া হাৎপা তুপ্পা অমসুং অওৎ-অনৈ কয়া চত্থবা য়াহল্লিবা অফস্পা অসিগী মহুৎতা হেন্না হ্যুমেনিটরিয়ান ওইবা লো অমা শিনে দাক্কনি হায়না কংলা মীয়ামদা শিন্নবগী থৌরমদা ফোঙদোক্লমখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা বিজেপিগী মীরেপ ওইরিবা আর কে রঞ্জন মশামকসু ফম মীহৌবা নত্রগা মশাগী লন-থুম লেপশিন্নবা খক্কী ওইনা থোরকপা ওইরবদি মদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক করিমত্তা কান্নবা ফংলোই হায়না শর্মিলানা ফোঙদোরকখি।

আর্ট, কলচর অমসুং ট্রেদিসন
নীংথিনা খঙহন্দ্রবদি মাঙখিবা য়াই

: আর কে নিমাই

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪: নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লোয়নদুনা লাক্লবা ইপা-ইপুশিংনা থল্লিরম্লবা লমদমসিগী আর্ট এন্দ কলচর অমসুং ট্রেদিসনগী শক্তম নুং-পান অনিমক মনুং হুৎনা মপুং ফানা লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা ওইরিবশিংদা খঙহল হৌদ্রবদি লমদমসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা আর্ট, কলচল অমসুং ট্রেদিসন অসি মাঙখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার আর কে নিমাইনা চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ১৬ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজা চন্দ্রক্রিটি ওদিটোরিয়মদা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি অমসুং এসিয়াটিক সোসাইটি কোলকতা অনিনা পুন্না শীনবা ''থ্রি-দে লেকচরর ওন কলচরেল এপ্রিসিয়েএসন'' হৌদোকপগী থৌরমদা মহাক্না মখা তানা হায়, অসিগুম্বা থৌরম অসিদা মপুং ওইনা হেন্না নহা ওইরিবশিংদা মপুং ফানা শরুক য়াহনিংই। লমদমসিগী আর্ট এন্দ কলচর অমদি ট্রেদিসন অসি য়োকখৎনবা হোৎনবদা নহা ওইরিবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। কলচর অমসুং ট্রেদিসন হায়বসি ইনভাইরোনমেন্টনা ক্রিয়েট তৌই। *(মখা লা:৪দা)*

হৱাদো লৈরাংদো

ইলেক্ট্রিক্তি ফজনা ফংলবরা?



টেক্স ফজনা খোমগৎতৌরে।

মনুংদাঃ লান্নংলবা মীয়াম ডেমোক্রেশিনা তম্নরাই ওল্লকপা (এদিটোরিয়েল) লৈবাক্কী পাউ, মপানগী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস